# মধ্য প্রদেশ ৱাথোককী মতাংদা কোংগ্রেসকা বি জে পিগা সুপ্রিম কোর্টতা লংখায়নখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮(এজেন্সি)ঃ*

মধ্য প্রদেশতা কমল নাথনা লুচিংবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টতগী এম এল এ ২২ ফম থাদোকখিবদগী গভর্ণমেন্ট মাইনোরিটি ওইরে, মরম অদুনা এসেমব্লি ফ্লোরদা পাঙ্গল চাংয়েং তৌনগদবনি হায়না ওপোজিসন বি জে পিনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখিবা মতুং ইন্না ঙসি ৱাকৎ অদুগী হিয়ারিংদা লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েনশঙ অসিদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা পার্টি অনী অসি লংখায়নখ্রে।

মধ্য প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী ৱাথোক অসিগী মতাংদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকী মনুংদগী ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা খ্বাইদগী চাওবা লুচিংবশিং মুকখায়নরকখিবা অদুদা দেমোক্রেসি মাঙ তাকহল্লে হায়না বি জে পিবু কোংগ্রেসনা ঙসি কোর্ট অসিদা মরান শীখি।

কোংগ্রেস পার্টিগী মহুৎ শিন্দুনা লেপ্লিবা সেনিয়ার এদভোকেট দুশ্যন্ত দাবে অমসুং বি জে পিগী মায়কৈদা লেপলিবা সেনিয়ার এদভোকেট মুকুল রোহতগিগী মরক্তা অঙকপা মওংগী মরৈশিং য়েৎনখিবা অমসুং মায়োক্লনা অমগা অমগা ঙাংনরকখিবা অদুগী নোংমগী মতুংদা হিরম অসিগী মতাংদা জজ অনীগী বেঞ্চ লুচিংলিবা জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদনা হিয়ারিং অদু হয়েঙ শগোলশেল নুমিৎকী পুং ২দা মখা চথনবা লেপখি।

এম এল এশিং ফাই অমসুং থা ১৫ শুরবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট থুগাইনবা লৌতুনৈ হায়না বি জে পিবু দুশ্যন্ত দাবেনা মরান শীখি। বি জে পিনা দিমান্দ তৌরিবা থাজবগী ভোট লৌনবা অদু বাই পোলশিং লোয়শিন্দ্রিবা ফাওবা য়েথোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা হায়রিবা বাই পোলশিং অদু ফাওবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট অসিবু মখা চথবা য়াহনবদা নখোয়গী নথক্তা সোরারেন করিসু তারক্তুনা নল্লোই হায়না মিষ্টর দাবেনা হায়খি।

কনষ্টিট্যুসনা য়াদবা পাঙ্গল চাংয়েং অমা অমসুং অহিংনোংয়াইগী মেসেজশিং অদুগীদমক মধ্য প্রদেশকী গভর্ণর লালজি তন্দনবুসু সেনিয়ার এদভোকেট মিষ্টর দাবেনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিব অমসুং মসি দেমোক্রেসি অমরা? এম এল এশিং অদু কিদনেপ তৌরগা কদাইদা থমখ্রে হায়না হংখি।

ৱাফমশিং অদুদা বি জে পিনা অমুক পাউখুম হল্লক্তুনা মখোয়না মায় পাক্লবগী আশা লৈত্রবা থাজবগী ভোট অমা য়েথোক্তুনা থন্নবা হোৎনৈ হায়না কোংগ্রেসপু মরান শীখি।

পার্টি অসি দেমোক্রেসিবু পাক্তক্লনা হাৎনবগী মরম অদুনি হায়খি। মখোয় লৈঙাক পায়দুনা লৈনবগী লিগেল রাইট লৈত্রে হায়না বি জে পিগীদমক সুপ্রিম কোর্টতা লেপ্লিবা সেনিয়ার এদভোকেট মুকুল রোহতগীনা হায়খি।

কোংগ্রেসনা শক্তিগীদমক উপাই লৈতনা খোয়রাংলি অমসুং রিবোল এম এল এশিং অদু কিদনেপ তৌখিবা নৎতে। মখোয় মশাগী ওইনা ফিরেপ লৌজবনি হায়নসু এদভোকেট অসিনা হায়খি।

এম এল এশিং অদুনা ভোপালদা চৎপা পামদ্রে। মখোয় রিজাইন তৌখ্রে। মসি দিফেক্সন নৎত্রগা মর্জরগীৱাফম অমা নৎতে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মধ্য প্রদেশ এসেমব্লি স্পিকর এন পি প্রজাপতিগীদমক সুপ্রিম কোর্টতা হিয়ারিং অদুদা লেপ্লিবা কোংগ্রেস লুচিংবা অভিশেক সিংহবিনা রিজাইনেসন লেটরশিং অদুদা চিংননিঙাই ওইবা মান্নবশিং য়াওবনা মদু কদাই ফাওবা চুমনৈ হয়বদু চিংনহল্লি হায়খি।

রিজাইনেসন লেটর ১৯ অদুগী মনুংদা ৭তি মীওই অমনা ইবনি অমসুং তোঙান-তোঙানবা এম এল এশিংনা সহি তৌবনি। মীওই ২না লেমহৌরিবা ৬ অদুগী ইবনি। লেটরশিং চপ মান্নে অমসুং পরেং অনীগীনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মফম অদুদা হিরম অদুবু হিয়ারিং তৌরিবা জজ অদুগী বেঞ্চকী লুচিংবা জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদনা রিজাইনেসনগী হিরম অদুগী ইনক্বারি অমা চথনবগী দ্যুটি পাংথোক্কদবা স্পিকর অদুনা চাংয়েংগদবনি হায়খি।

কন্নানা থজবা ফংই হায়বদু লেপকদবা লেজিসলেচরগী লম্বীদা ঐখোয়না চৎলোই। মশীংগী খল অদু কদোমদা লুমই নৎত্রগা য়াংই হায়বদু ঐখোয় খঙদে। মসিগী মোদিলিটি ওইগদবা অদুদা সুপ্নতগী ঐখোয়বু তেংবাংউ হায়না নাকন অনীগী মরৈশিং অদুগী পাউখুমদা কোর্ট অসিনা হায়খি।

মসিগী মমাঙদা মিষ্টর দাবেনা কোর্টতা চথরিবা হিয়ারিং অসি পাঙ্গল চাংয়েং অমগী ৱাফম খক্তগী নৎতে। নমদুনা শক্তি মুল্লগা দেমোক্রেসি মাঙহনবগী ৱাফম অদুগীনি হায়খি।

অহানবদা মিহৌহনবা অমসুং নমফু শিজিন্নদুনা এম এল এশিংবু বেঙ্গলুরুদা পুনবা হোৎনখি। মদুগী মতুং বি জে পিগী সেনিয়ার লিদরশিং স্পিকরগী রেসিদেন্সতা থুংলখি অমসুং রিজাইনেসন লেটরশিং খুৎশিন্নখি। এম এল এশিং অমত্তা য়াওরক্তে। বি জে পিগী অরানবা থৌশিল অদু মসিনা উৎলি হায়না মহাক্না ঙসি কোর্টতা য়েৎখি।

অসিগুম্বা দোকুমেন্টশিং থাগৎপগী মতাংদা কনষ্টিট্যুসনগী প্রোভিজন অমসুং রুলশিং বি জে পি অমসুং মখোয়গী থবকশিং অদুনা থুগাইরে হায়রদুনা বি জে পি লুচিংবশিং অদুনা খুৎশিন্নরম্বা লেটরশিং অদু থিজিন্নবসু কোর্ট অদুদা আপিল তৌখি।

এম এল এ ২২না থা অসিদা রিজাইনেসন লেটরশিং থাগৎখি মদুগী মনুংদা খরদি অয়াবা পীদ্রি। রিজাইনেসনশিং অদুনা চীফ মিনিষ্টর কমল নাথকী গভর্ণমেন্টপু মাইনোরিটি তাহনখি।

থাঙ্জ নুমিৎতা এম এল এ ৬কী রিজাইনেসন য়াখ্রবা তুংদা হৌজিক এসেমব্লি অসিগী মোজোরিটি ওইনবগী মশীং ১১২ ওইরে। এসেমব্লি অসিদা বি জে পিগী এম এল এ ১০৬ অমসুং কোংগ্রেসকী ১০৮নি। কোংগ্রেসকী ১০৮ অসিগী মনুংদা রিজাইনেসন অয়াবা পীদ্রিবা ১৬ অদু য়াওরি।

বি জে পিনা খুদক্তা হাউসকী ফ্লোরদা চাংয়েং অমা পাংথোক্লবা সুপ্রিম কোর্টতা চৎখিবনি। গভর্ণর লালজি তন্দননা চীফ মিনিষ্টর কমল নাথতা মাগী মেজোরিটি প্রমান তৌনবা অনীরক খঙহল্লকখি। অদুবু পার্টি অসি হান্ননা মায়নোরিটি ওইরে হায়না মাঙজৌননা লেপ্পী হায়না মহাকপু কোংগ্রেসনা মরান শীখি।

# করনাতকা সি এম য়েদিয়ুরাপ্পানা কোভিদ-১৯ থেংননবা লুপা ক্রোর ২০০কী কোরপস ফন্দ লাওথোকখ্রে

*থিরুভনন্তপুরম, মার্চ ১৮(এজেন্সি)ঃ*

করনাতকা গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ হায়নসু খঙনবা তমথিরবা নোভেল কোরোনাভাইরস লাইচৎ থেংননবা লুপা ক্রোর ২০০গী কোরপস ফন্দ অমা লাওথোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা মীওই ১ শিখিবা য়াওনা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা মীওই ১১ রেজিষ্টার তৌখ্রে।

ষ্টেট এসেমব্লিদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরাপ্পানা ঙরাং ৱা ঙাংবদা ষ্টেট অসি মচেৎ ওইনা মার্চ ৩১ ফাওবা অথিঙবা থমখিগনি হায়নসু লাওথোকখি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংননবা লুপা ক্রোর ২০০গী কোরপস ফন্দ অমা শেমখ্রে হায়না



হাউসতা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

হেল্‌থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার মিনিষ্টর বি শ্রীরামুলুগী লুচিং মখাদা টাস্ক ফোর্স অমসু শেমখ্রে। মেদিকেল এদুকেসন মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, দিপুটি চীফ মিনিষ্টর চীফ সেক্রেটরিনা মসিগী মেম্বরশিং ওইগনি। মেদিকেল এদুকেসন মিনিষ্টর ডো. সুধাকরনা করনাতকাদা মীওই ১১৭,৩০৬ স্ক্রিন তৌখ্রে হায়না এসেমব্লিদা হায়খি।

ষ্টেট অসি আই টি সেক্টরগী ময়োল ওইবা মরন্না হেন্না চেকশিনগদবনি। আই যি সেক্টরনা হকথেংননা অমসুং নাকোয়ননা মীওই লাক্ষ ২০ থবক পীরি। মালেমগী মফম পুন্নমক্তগী মীওইশিং মফম অসিদা লাক্লি। হেল্পলাইন নম্বর ১০৭দা কৌরকপা খুদিংমক তেংবাংগনি হায়না মেদিকেল এদুকেসন মিনিষ্টরনা হায়খি।

# বি জে দি মীরেপ ৪মক ওরিশ্যাদগী রাজ্য সভাদা খনখ্রে



*ভুবনেশ্বর, মার্চ ১৮(এজেন্সি)ঃ*

ওরিশ্যাদা ওপোজিসন বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনা মার্চ ২৬তা পাংথোক্কদবা রাজ্য সভা মীখলগীদমক মীরেপ অমত্তা থাগৎলক্ত্রবনা বি জে দি মীরেপ ৪ অদু লোয়নমক লম্বা য়াওদনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রাজ্য সভাদা খনখ্রে।

রজ্য সভা মীখলশিংগীদমক রিটর্নিং ওফিসার কম-ওরিশ্যা এসেমব্লি সেক্রেটরি দসরথি সাতপাথিনা বি জে দি মীরেপ ৪-সুভাস সিংহ, মুন্না খান, সুজিত কুমার অমসুং মমতা মহন্তা খল্লে লাওথোকখি।

ঙসি নুংথিল পুং ৩দা মীরেপচে লৌথোকপগী মতম লোইখ্রবগী তুংদা ৱারোল অদু লাওথোক্লককখিবনি।

মিষ্টর সাতপাথিনা মায়পাক্লবা বি জে পি মীরেপশিং অদুদা ষ্টেট এসেমব্লিশিং অদুদা সার্টিফিকেটশিংসু পীখ্রে।

ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ৪সু মীরেপচেশিং থাগৎলকখি অদুবু প্রোপোজরশিং ওইনবা এম এল এ ১০ মথৌ তাবা অদু য়াওদবনা মখোয়গী কেদিদেচর অদু ককথৎখি।

কোংগ্রেসনা মখোয়গী নোমিনি শৌগৎনবদা য়ামদ্রবদা প্রোপোজর ১০ লৈতবনা মীরেপ অমত্তা থাগৎপা ঙমখিদে। অমরোমদা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)সু ষ্টেট এসেমব্লি অসিদা মেম্বর ২৩ খক্তমক লৈবা মরন্না রাজ্য সভা মীখলশিং অসিদা কন্টেষ্ট তৌবদা খঙ্গানখি।

মীরেপ অমনা মীখল অদু মায় পাক্লবা য়ামদ্রবদা ফার্ষ্ট-প্রিফরেন্স ভোট ২৯ মথৌ তাই।

অদুবু ওরিশ্যাদা লৈঙাক পায়রিবা বিজু জনতা দল (বি জে দি)গীদি মেম্বর ১৪৭ লৈবা হাউস অসিদা মেম্বর ১১৩ লৈ। বি জে পিগীনা ২৩, কোংগ্রেসকীনা ৯ অমসুং সি পি এমগীনা ১ লৈ, ইন্দিপেন্দেন্ট লেজিসলেটর অমত্তা লৈতে। ফিভম অসিদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে দিগী মীরেপশিংনা পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউসতা নুংঙাইনা কাখি।

রাজ্য সভা মেম্বর ওইনা খল্লবা সুভাস সিংহ ও বি সি অমনি অমসুং ট্রেদ য়ুনিয়নিষ্ট অমনি। মুন্না খাননা পার্টিগী অরিবা মেম্বর অমনি অমসুং লৈখিদ্রবা বি জে পি ফাউন্দর বিজু পাতনয়াককী নক্লবা অমনি। মহাক মুস্লিম কম্যুনিটিদগীনি। সুর্জিত কুমার স্পিসিয়েল দিভলপমেন্ট কাউন্সিগী এদভাইজর অমা ওইরম্মি। কলাহান্দি দিষ্ট্রিক্টতগীনি। মমতা মহন্তনা ময়ুরভঞ্জ দিষ্ট্রিক্টতগী বি জে দি নুপীশিংগী মেম্বর অমনি।

বি জে দি লোমেকরশিং-অনুভব মোহন্তি, নরেন্দ্র কুমার শ্বাইন অমসুং সরোজিনি হেম্ব্রম অমসুং কোংগ্রেস মেম্বর রঞ্জিব বিশ্বাগী মতম লোয়খিবদগী ওরিশ্যাদগী রাজ্য সভা সিট ১০গী নুংদগী ৪ এপ্রিল ২দা হাংলকখিবনি।

# কোরোনাভাইরস মরক্তা তৌরিবা শাহীন বাঘ প্রেটেষ্টকী মতাংদা চাইল্ড রাইটস কমিসননা রিপোর্ট কৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮(এজেন্সি)ঃ*

কোরোনাভাইরস লাইচৎ মরক্তা দিল্লিদা শাহীন বাঘতা মীয়াম পুন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌরিবা অদুগী মতাংদা রিপোর্ট অমা থাগৎলক্লবা সাউথ ইষ্ট দিল্লিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতা ঙরাং নেসনেল কমিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা চে ইখ্রে।

নেসনেল কমিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এন সি পি সি আর)না চেরোল অদুদা হায়খি, ষ্টেট অমসুং নেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯গী চেকশিন্নবা অমসুং মাঙজৌননা থিংনবা এদভাইজরি অমা থোক্লবা ফাওবদসু মফম অদুদা মীয়াম পুন্দুনা লৈরি হায়বগী মতাংদা ৱাকৎ অমা ফংলে।

দিল্লি গভর্ণমেন্টনা লাইনিংগী, ইমুং-মনুংগী, খুন্নাইগী, পোলিটিকেল নৎত্রগা নাৎকী ওইরবসু মার্চ ৩১ ফাওবা মীওই ৫০দগী হেন্না পুন্দনবা লাওথোকখ্রবনি। মরম অদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হিরম অসিগী মতাংদা থোকখিবা এদভাইজরি অদুগী য়েংলগা চেরোল অসি থোকপা নুমিৎতগী নুমিৎ হুন্নিগী মনুংদা রিপোর্ট অমা কমিসনদা থাগৎলক্লবা নখোয়দা মথৌ তাবা থবক লৌখৎনবা হায়জরি হায়না এন সি পি সি আরগী চেরোল অদুনা হায়খি।

নুপীশিং অমসুং অঙাংশিং য়াওনা মীওই চা কয়ানা সিটিজেনসিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট (সি এ এ)গী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবা ওইনা লম্বী অদুদা লৈরক্লি।

হৌখিবা চহী দিসেম্বর ১৫দগী শাহীন বাগতা সি এ এগী মায়োক্তা চত্তবা প্রোটেষ্ট অদু হৌখিবনি। মদুগী মথংদা লৈবাক্কী কোনুং অসিগী অতৈ মফমশিং অমসুং অবৌক্কী অতৈ মফমশিংদা প্রোটেষ্টশিং চৎখি।

য়ুনিয়ন হেল্‌থ মিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী কোভিদ-১৯না নাবা অনৌবা মীওই ১০ ফংখিবগা লোয়ননা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অনাবা মশীং ১৪৭ য়ৌখ্রে।

# কোভিদ-১৯গী মরমদগী য়ু এসতা মী লাক্ষ ২২, য়ু কেদা লাক্ষ ৫ শিরবা য়াই ঃ বৃটিস ষ্টদি





*লন্দন /ৱাসিংটন, মার্চ ১৮(এজেন্সি)ঃ*

বৃটিস গভর্ণমেন্টপু কোভিদ-১৯ লাক্লিনবগী য়ান্না অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা য়াহনবদা মতেং ওইরবা য়ান্না মরুওইরবা প্রোজেক্সন ষ্টদি অমনা কোভিদ-১৯বু মীওই লিশিং চা কয়া শিগদবা অমসুং শাথিনা নারবা অনাবশিংনা হেল্‌থ সার্ভিসতগী হেন্না মশীং য়াম্লগদবা য়ান্না তমথিরবা ফিভম অমা উৎখ্রে।

ইম্পরিয়েল কলেজ লন্দনগী মেথমেটিকেল বাইওলোজিগী প্রোফেসার নৈল ফেরগুসননা লুচিংবা টিম অমগী মোদেলিং ষ্টদি অদুনা চয়োল খরসিদা য়ান্না হেনগৎলকখিবা লৌনগনবা লায়নাগী ইপিদেমিক থোক্লিবা ইতালিদগী খোমজিল্লকপা অনৌবা দাটাশিং শিজিনখি।

হৌজিক লাক্লিনবা অমসুং মথৎনবগী খোঙথাংশিং লৌখৎতবনা লাইচৎ অসিনা বৃটেনদা মী মিল্লিয়ন তঙ্খায় অমা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মিল্লিয়ন ২.২ হেন্না শিহল্লবা য়াই হায়না ফেরগুসনগী টিম অদুনা হায়খি।

কোভিদ-১৯না নারে চিংনবশিংবু হোম আইসোলেসন তৌবা, অদুবু হেন্না পাকথোক-চাওথোক্লনা সোসাইটিগী মথক্তা অথিংবশিং থম্বা য়াওদবনা গভর্ণমেন্টকী মমাঙগী থৌরাং অদুনা ফাওবদি মীওই ২,৫০,০০০ শিহনগনি অমসুং হেল্‌থ সিষ্টেমশিংগী মথক্তা অনাবগী মশীংনা শরুক কয়া হেনগনি হায়না ষ্টদি অদুনা হায়খি।

হৌজিক মালেম পুম্বগী ওইনা কোভিদ-১৯না নাবা মশীং ১৮৯,০০০ হেনখ্রে অমসুং ৭,৮০০ হেন্না শিখ্রে।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা নাবা মশীং ১৯৫০ অমসুং শিবা মশীং ৬৯ য়ৌখ্রে।

লাইচৎ অসি লাক্লিনবা অপুনবা মীয়াম খুন্নাইগী ওইনা লাপথোকহন্নবা, নাবশিং য়ুমদা আইসোলেসন তৌবা অমসুং মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিং হাউস হোল ক্বারেন্টাইন তৌবগী পুন্সিনবা অমা মথৌ তাই।

ইন্টেন্সিব ইন্টরভেসন পেক্কেজগী মখল অসি ভেক্সিন অমা ফংদ্রীঙৈ (থা ১৮ নৎত্রগা মসিদগী হেনবা) মতম ফাওবা ঙাকপগী মথৌ তাগনি হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

মরকসিদা বৃটিস প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগী গভর্ণমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাইচৎ অসি লাক্লিন্নবা অনৌবা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপদা মতেং ওইনবা ব্যুজিনেসশিংগীদমক শৌগৎনবগী চাওরবা পেক্কেজ অমা হৌখ্রে।

ফাইনান্স মিনিষ্টর রিশি সুনাকনা ভাইরসনা শোকহল্লবা ব্যুজিনেসকীদমক পাউন বিল্লিয়ন ৩৩০ (দোল্লর বিল্লিয়ন ৪০০, য়ুরো বিল্লিয়ন ৩৬৩)গী লোনশিংগী পেক্কেজ অমা হৌদোকখিবগা বৃটেননা লান মতমগী গভর্ণমেন্ট অমগা মান্না থবক তৌবগী মথৌ তাবা লৈরে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা হায়খি।

নাকন অমরোমদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনসু লৈবাক অসিদা মীওই ১০০ হেন্না হাৎখ্রবা কোরোনাভাইরস লাইচৎতকী ফংলিবা শেন-থুমগী চৈথেং অদু ঙাকথোক্লবা অমেরিকানশিংদা লান্নাই অমেরিকা মীওইশিংদা হকথেংননা দোল্লর ১,০০০ পীনবগী মওংদা দোল্লর ট্রিল্লিয়ন অমগী ষ্টিমুলস পেকেজ অমা পাংথোক্লবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা তকশিনখ্রে।

হৌজিক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ষ্টেট ৫০মক্তা শ্বর হোনবগী লায়না অসিনা নাবগী পাউ লৈরে অমসুং অনাবগী অপুনবা মশীং ৬,৪০০ হেনখ্রে।

ৱাসিংটন ষ্টেটতা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫২ শিখ্রে। ষ্টেট গভর্ণরশিংনা হায়জরক্লবদি নৎত্রগা লৈরিবা হোস্পিটালশিংগী কেপাসিটি হেনগৎহন্নবা আর্মি কোর ওফ ইঞ্জিনিয়ারসতা হায়জরক্লবদি ভাইরসনা শাথিনা শোকপা মফমশিংদা ফিল্ড হোস্পিটালশিং লিংখৎনবা হ্বাইট হাউসনা য়ু এস মিলিটরিদা য়াথঙ পীবা য়াই হায়না ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা হায়খি।

# কোভিদ-১৯ঃ পাকিষ্টাননা দোল্লর মিল্লিয়ন ২০০গী লোন লৌনবা ৱার্ল্ড বেঙ্ককা ৱারী শান্নরি

*ইস্লামাবাদ, মার্চ ১৮(এজেন্সি)ঃ*

মেদিয়া রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না পাকিষ্টানদা তমথিরবা লৌনগনবা কোরোনাভাইরস শন্দোকপদা লাক্লিন্নবা রিছোর্সশিং ৱাৎলবা পব্লিক হোস্পিটালশিং অমসুং লেবোরেটরি ২৭০গী কেপাসিটি হেনগৎহন্নবা শেনগাও হাংলবা পাকিষ্টাননা দোল্লর মিল্লিয়ন ২০০গী লোনশিং লৌনবা ৱার্ল্ড বেঙ্ককা ৱারী শান্নরি হায়রি।

কোনথংদা পাকিষ্টানদা কোরোনাভাইরস নাবা মশীং খঙহেন হেনগৎলক্তুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ২৩৭ য়ৌখ্রে। ১৭২ নাদুনা সিন্ধ প্রোভিন্সনা খ্বাইদগী থীনা শোকপা ওইরি। মথঙদা পঞ্জাব - ২৬ খায়বর পাখতুনখৱা ১৬, বালোচিষ্টান ১৬, গিলগিৎ-বালটিষ্টান ৫ অমসুং ইস্লামাবাদ ২নি।

পাকিষ্টান গভর্ণমেন্ট অমসুং ৱার্ল্ড বেঙ্কনা পাকিষ্টাননা মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯ ক্রাইসিসতা মতিকচানা পাউখুম পীবা ঙন্নবা দোল্লর মিল্লিয়ন ১০০দগী ২০০ ফাওবগী শেলগী তেংবাংগী পেক্কেজ অমা খন্নরি হায়না ৱার্ল্ড বেঙ্ককী ওফিসিকী মফমসিগী ৱাঙাংলোই মরিয়ম অলতাফনা হায়খি।

নেসনেল দিজাষ্টর রিস্ক মেনেজমেন্ট ফন্দনসু মসিগী লৈরিবা রিছোর্সশিং অমুক হন্না এদজষ্ট তৌনদুনা দোল্লর মিল্লিয়ন ৫০ রোমসু পীগনি। মসি থারগদি অপুনবা পেক্কেজ অদু দোল্লর মিল্লিয়ন ২৫০ ওইরগনি। করিগুম্বা কোরোনাভাইরস অসিনা শন্দোক্লকপগী চাং চাম্মদা ১০০ হেনগৎলকপা তারবদি পাকিষ্টাননা লাইচৎ অসি লাক্লিন্নবা কেপাসিটি অমসুং রিছোর্স অদু লৈতে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর খাননা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা লাইচৎ অসিগীদমক খ্বাইদগী ফৎতনা থৌরাং তৌবদা পঞ্জাব গভর্ণমেন্টনা ওইবগুম তৌরি অদুগা সিন্ধ গভর্ণমেন্টতি থৌরাং অদু ফজনা তৌদে।

হোস্পিটাল ২০০, ক্বারেন্টাই সাইট ১০ অমসুং লেবোরেটরি ৪২গীদমক পার্সোনেল প্রোটেক্টিব ইক্যুপমেন্ট লৈগদবনি।

# ইটালিদা শিবা ২৫০৩ য়ৌখ্রে, চিনাদদি ৱুহানদগী মেদিকেল ষ্টাফ লৌথোকপা হৌখ্রে

*রোম /বৈজিং, মার্চ ১৮(এজেন্সি)ঃ*

ইটালিদা কোরোনাভাইরস লাইচৎতা হৌখিবা পুং ২৪দা মীওই ৩৪৫ অমগা শিদুনা অপুনবা শিবা মী মশীং ২,৫০৩ য়ৌখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সিভিল প্রেটেক্সন এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে। হৌজিকসু ইন্টেসিব কিয়ারদা অনাবা ২০৬০ রোম লৈরি।

অমরোমদা কোভিদ-১৯ অসি হৌরকফম ইপিসিন্টর ওইরিবা চিনাগী হুবৈ প্রোভিন্সকী কোনুং ৱুহান সিটিদা লাইচৎকী ফিভম ফগৎলকপদগী ডোক্টরশিং অমসুং মেদিকেল ষ্টাফ লিশিং কয়া লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী লৌথোকপা হৌখ্রে।

তমথিরবা অকিবগী মশক ফংলবা কোভিদ-১৯ লাক্লিনবা ঙম্বা অমসুং মদুদা মীওই লিশিং কয়া শিখিবগী অৱাবা, অৱা-নুংঙাই অনীমক্কী ৱাখলগা লোয়ননা মেদিকেল এসিষ্টেন্স টিমশিংগী অহানবা কাংলুপ অমা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদগী হুবৈ প্রোভিন্সতগী হনখিবা হৌরে হায়না ওফিসিয়েল মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু ইটালিদদি হৌখিবা পুং ২৪দা লাইচৎ অসিনা নাবদগী শিবা মশীং ৩৪৫ হেনগৎতুনা লাইচৎ অসিদগী পুন্না শিখিবা মীগী মশীং অদু ২৫০৩ য়ৌখ্রে। মসি চাদা ১৬ হেনগৎলবনি।

ইটালিদা ফেব্রুৱারি ২১দা কোভিদ-১৯ নাবগী পাউ অহনবা খঙখি। মদুগী মতুংদগী লাইচৎ অসিনা নাবা ২৭,৯৮০ ওইরম্বদগী অমুক্কা হেনগৎতুনা ৩১,৫০৬ য়ৌখি। লাইচৎ অসিনা হান্না নাখিবশিংগী মনুংদগী ২৯৪১দি মপুং ফানা ফখ্রবনি।

# আদনান জুরফিবু ইরাক প্রাইম মিনিষ্টর হাপখ্রে

*বাঘদাদ, মার্চ ১৮(এজেন্সি)ঃ*

ইরাককী প্রসিদেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নোংচুপ লৈবাকশিংগা য়ানবা লোমেকর অমসুং নাজাফ সিটিগী হান্নগী গভনর আদনান জুরফিবু মিলিটরিগী ইরাং, ষ্ট্রিট প্রোটেষ্টশিং অমসুং মালেম পাকশন্না শন্দোক্লিবা কোরোনাভাইরসকী চৈথেং মায়োক্লরবা লৈবাক অমা ঙাক্লবগী থবক শিন্নদুনা মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা হাপখ্রে।

ইরাকনা তোঙান-তোঙানবা রোকেট এটেক ২, য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন অমসুং নেটো ট্রুপশিং লৈবা মিলিটরি বেজ অমদা পানখিবা নোংঙালমদাইগী এটেক অমগী মতুংদা লৈবাকপোকপগী অথেঙবদা বাঘদাদতা হায়-সেক্যুরিটি গ্রীনজোন মনাক্তা এটেক অমগা মায়োক্নরিঙৈ অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অদু হাপ্লকখিবনি।

হান্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা হাপখিবা মোহমদ অল্লাৱিনা মার্চ ২ ফাওবদা কেবিনেট শেম্বা ঙমখিদবদগী প্রসিদেন্ট বরহম শালেহনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেঙবা ফাওবা হায়বদি নুমিৎ ১৫নি মনুংদা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর হাপ্পা তাখি। মশাগী চহী ৫৪ শুরবা জুরফিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেঙবদা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা চহী অমগী মনুংদা ইলেক্সন পাংথোক্লবা ৱাশকখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-410**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | 6 | 4 | | 5 | | |
| | 5 | | 3 | | 2 | | 7 | |
| | | | 1 | 5 | | 6 | | 3 |
| | 9 | | | | 5 | | 3 | |
| 2 | 6 | | | 3 | | | | |
| | | 4 | | | 6 | 2 | | |
| 7 | | | | | | | 1 | 5 |
| 4 | 1 | | | | | | | 2 |
| | | 5 | | 2 | | | 4 | |

## GAS TODAY

**Jemol Gas, Singjamei**
Booking : 26/12/19
Valid : 05/12/19
Stk : 456
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 27/01/20
Valid : 17/01/20
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**K & K Indane**
Booking : 29/01/20
Valid : 19/01/20
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Khurkhul Indane**
Booking : 05/02/20
Valid : 27/01/20
Stk : 306
Time : 08.00 to 12 noon
First Come First Serve

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 13/01/20
Sl. No. : 3180
Valid : 13/01/20
Sl. No. : 2831
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 16/12/19
Valid : 04/12/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**R & H Indane Service**
Booking : 23/01/20
Valid : 04/01/20
Stk. : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**R B D Indane**
Booking : 14/01/20
Valid : 31/12/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Lamsang Gas Service**
Booking : 15/01/20
Valid : 11/01/20
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Hrangchal Gas**
Booking : 06/02/20
Valid : 05/02/20
Stk : 306
First Come First Serve

**Imphal LPG Service**
Booking : 04/02/20
Valid : 27/01/20
Sl. No. : 13529
Stk : 306/ 19kg-20
Time : From 08.30 a.m.

**Haran valley, Kwakta**
Booking : 01/01/20
Valid : 26/12/19
Stk. : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 17/12/19
Valid : 13/12/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 17/01/20
Valid : 15/01/20
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**সনা-সুদোকু - ৪০৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 6 | 1 | 3 | 9 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 3 | 9 | 2 | 6 | 4 | 7 | 5 | 1 | 8 |
| 4 | 5 | 7 | 2 | 8 | 1 | 3 | 9 | 6 |
| 9 | 2 | 5 | 4 | 7 | 6 | 1 | 8 | 3 |
| 6 | 8 | 4 | 1 | 5 | 3 | 9 | 7 | 2 |
| 1 | 7 | 3 | 8 | 2 | 9 | 4 | 6 | 5 |
| 2 | 1 | 9 | 7 | 3 | 8 | 6 | 5 | 4 |
| 7 | 4 | 6 | 5 | 1 | 2 | 8 | 3 | 9 |
| 5 | 3 | 8 | 9 | 6 | 4 | 7 | 2 | 1 |